Sunday, July 01, 2018, Imphal

HUEIYEN LANPAO



*“অসুক নুংশিনিংঙাই ওইবা মীওইবগী পুন্সি অসিবু করিগীদমক খাংঙুথক্তা পিখম্নবা হোৎনবনো?”*

*- অরাম্বম সমরেন্দ্র (নুংশিখেৎ)*

## লৈকোলগী লৈরাংলক্তা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐঙোন্দা ফংখিবা
থম্মোয়গী চৈনাদো
মঙোন্দসু ফাওরমগদ্রা।
ঙসিসু চৈনা অদুনা
মহাকপু কাউথোকপা ঙমদনা
থম্মোয় লায়না ওইবা মখে
নীংশিংহন্দুনা লৈরি।
থাজখিদ্রবা মহাক্কী
ৱাহৈ অমনা
শাগৎচখিবা ঐগী আশা পূম্বা
অরেম্বা তাদুনা তোকখি।
লৈকোল লৈরাংলক্তা
অমনবা লৈনানা চোয়না
তাদুনা লৈবা উরুরগা,
হৌখ্রবা থৌদোক অমবু
মাবু নক্লা চিংশিন্দুনা য়েংলুই।
নীংশিংলুবদুনা থোইনদুম
অৱা মৈশা লাংহল্লি
ইনখৎলকপা মতমগী
নুংশি নুংওন ৱারীশিংদো।
কাইনবগী লৈইনা চিংদুনা
অরোইবা বিদায় ওইখি,
ঙসিদি মতমনা পুরক্লদুনা
অনৌবা আশা, অনৌবা
য়েন্নিংগা লোয়ননা
বসন্ত লৈকোলগী লৈরাংলক্তা
মচু মমেন কয়াগী কুরাকশিংনা
পাইরিবদো মুনা মুনা য়েংলুরি।

## অমদুগী

**—রামেশ্বর**

ইপুক্লিংনা য়াদবা
ইঙক নোম্না তৌখিবা
থবক মশীং খঙদ্রবা
নীংশিংবদা ৱারবা
থবক্তুগী মহয়দি
অতোংবদা লৈথোনখি
লৈতৌবীখি অকুৎপা
অনেম অৱাং নাইহনখি
অৱাবা মশক তাকচখি
নুংঙাইবা মপাল শাজখি
ইপুক্লিংনা য়াদবা থবক্লা
ইঙক নোম্না তৌখিবা
উরে ইমিত্তা হৌজিক্তি
খেন্নবা মচু অনীগী
ফিরাল মমাই চুম্বগা
লায়রবা লৈকুত্তা হিংবগা
ময়াই কারবা অমদুগী
হরাউ মীনোক খোঞ্জেলদা
তিনখি নাশোন পিক্লবা
ইপুক্লিংগী খোল্লাউদি।

## খল্লিঙৈ

**—দিম্বেশ্বর শর্ম্মা**

খল্লিঙৈ হৌখি
হৌবা য়াবা ইফমদগী
ৱাহৈ অমা হায়গে খল্লিঙৈ
তুমিন্না লৈগে খল্লিঙৈ
চৎকে খল্লিঙৈ
চঙশিল্লগে খল্লিঙৈ
খল্লিঙৈ হৌখি
হৌবা য়াবা ইফমদগী
পূক্লিংদা অপেনবসু ফাওখি
ৱাখলগী তয়ালদা লুপ্লগা
খনাওগী তেঙ্গলদা খৎলগা
নুংশিরবা খোইথুল্লবা ৱাহৈনা
চিনবান্না ফোঙদোক্কে খল্লিঙৈ
খল্লিঙৈ হৌখি
হৌবা য়াবা ইফমদগী
ঐনা চুপ্লে হায়রসু
মাগী মতৌ উরগা
মীনুংশি ফাওরক্তবা নত্তে
লাল্লি হায়গে খল্লিঙৈ
হায়দা হৌখি খল্লিঙৈ
খল্লিঙৈ হৌখি
হৌবা য়াবা ইফমদগী
হৌখ্রে খল্লিঙৈ ইফমদগী
থাগোন্নরবা থল্লি ৱাহৈ
মপূং ফাদ্রি খন
ঙাইরমখো ঐসু খল্লি নঙগী
ঙমদ্রিঙৈ মফমদা হায়বা
খল্লিঙৈ হৌখি
হৌবা য়াবা ইফমদগী

## ৱারৌবীনু

**—ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্র**

নুংশি নুঙোল ঈশৈদা
নুংশি নুঙোল চিঠিদা
ঐ ঙমলোই ইবা অদুম্না
‘নঙনা ঐগীদমক লেপ্লবদি
আ অদু ঙমনি
আ অদা তৌনি’!
ঙম্লোই ঙম্লোই
অদুম্না ইবা,
মানা করি খনখিনি,
মানা করি হায়খিনি!
ওইসু ওইরোইদবা
ওইসু ওইখিদবা
মঙগী আশা!
হায়বদি ঙমনি ঐ
তাইবঙ অসিদা
নঙবু খ্বাইদগী নুংশিজবা
মহাক অদু ঐনি।

## ইমা

**—লাইতোঞ্জম পুর্ণিমা**

ইররোই খন্না
লেপ্লুরবা কলমসে
খাঙবা ঙমদ্রে ঙসিদি
মীনুংশি লৈত্রবা
অপোকপী মমাবু ইমানি কাউরবা
শা ওল্লবা মচাশিংগী
তমথীরবা মীওৎ মীনৈ
য়েংখিগনি কয়াম কুইনা
মচা মাতবু কাংদোঙ ফারগা
অৱাবা কোক্লগনি খন
মঞ্জুনবা ফিজেৎনা লৈতেং ওই
চাক্লি ফিনিবা অমগুম
পোকপদগী নুংঙাইবা ফংদ্রবী
কপ্পতনা মশরুক ওইরবী
নোংজু নুংশা মরক্তা
অৱাবা মচেৎ খাঙদুনা
মচা ঐখোয়বু নাওকোনবীরকপা
ইমা নহাকপু শৈথাজবদি
লোইবা নাইরোই
তাইবঙ হকচাংনা মাঙদ্রিঙৈ
শিংঙমলোই লমনসু
থৱায়দা হকচাংগা খায়নদ্রিফাও
থাবুম তরা নাওপুবী
ইমা মাগী শিয়োমনুংদা
তাইবঙ মীরোল তারবা মতমদদি
অপোকপী ইমাবু ইমানি হায়নীংদ্রে
শাহিং চাবদগী হেন্না তমথীরে।

## মীথুংশঙ

**—সুর্য্যমনি য়ূম্নাম**

চৎখি লাকই
লেপ্পা লৈতে
লোয়বা নাইরোই
পল্লম্মী লোইনমক
অহিং অমমম
নোংঙানবা ঙাইদুনা।
শকখঙদবা লমদমদগী
পনখৈ লৈত্রবা অহাংবদা
খোঙশানগনি কাউনা
তূম্মী অৱা নুংঙাই মঙ মঙদুনা।
পিক্লবা মীথুংশঙদা
মপান নাইদ্রবা মঙলান কয়ানা
থৱায়বু লক্লবিরি অচুম্বনি খলহন্দুনা,
অৱাবা অমগীদমক তেংথাই
লোইবা নাইদনা
নুংঙাইবা খরগীদমক নোকই
থম্মোয় পেন্না।

ঈরাং লাংই অহিংসে
ঐগী মাগী নঙগী
খোমজিন্নৈ তাশিন্নৈ লৌশিন্নৈ
পুবা য়াগদবগুম অহাংবদা,
হেন্না চেৎনা উইশিন্নৈ মীৎশিং
নুংঙাইবা মঙলান অমগী আশাদা।

## গনতন্ত্র লমজেল

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

গনতন্ত্র ময়াম’মা
লমজেল তান্নৈ
শেন্বী শাবিদ্রবা
উফুল হৌরবা লম্বেলদুদা।
অহল ওইরবা নুপাদো
লম্বীগী চিদাইদা
ফীভম শেমদুনা লেপ্লি
গনতন্ত্রগী গাড়ীনা
হেনগৎখিবা ঙাইদুনা।
চাইশিনবিরমই লৈখোম-লৈনাং
গনতন্ত্রগী গাড়ীনা
হন্না য়েংলমদে
লেপ্তুনা য়েংহৌই
গনতন্ত্র চৎখিবা মায়কৈদা।
গনতন্ত্রশিংদো চেন-চোঙদুনা
ঈচাউ ঈকং থি-থিদুনা
মফি তাখৎ তাখৎতুনা
অচারয়গী খাউ পায়দুনা।
মীয়াম্না হুপচিন্নৈ
গনতন্ত্র লৈবা মায়কৈদা
জগোয় শার-শারদুনা
ওইজ-ওইথক্কীদমক।
নুমিৎতি চঙখ্রে
মঙাল পুরদুনা
গনতন্ত্রশিংসু হন্নখ্রে
মাগী মায়কৈদা
ঈচাউগী ঈমায়দি
লেপ্তুনা হেনগৎলি।

## হো নুংশিবা!

**—বি মঙাং**

মীৎ নঙনা য়েংলমদ্রবা
নুংশিবা মশক খঙলম্লোইকো
নাকোং নহাক পাল্লমদ্রবা
তারম্লোইকো নুংশি য়াৱা
ইচিল অসি য়াওরমদ্রবা
করম্না ফোঙদোক্কনি মফমদা
নুংশি হায়বা ৱাহৈসি
কনখ্রে নুংশিবৈ মগুণ
হে নুংশিবা!
থম্মোয় নহাক লৈরমদ্রবা
করি থোক্লমগনি নুংশিবা
হে নুংশিবা!

# চোয়রোলনি চোয়রোল

## (করিসু পুদনা চৎপা তারবরা হায়না ৱাজরিবী অইবী অমা)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | চোয়রোলনি চোয়রোল |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবী | ঃ | চোংথাম নোলিনি দেবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**ঙসিফাওবা** শৈরেংগী চপ চাবা ৱাহন্থোক পীবা ঙম্মদ্রি। কবি খুদিং মাগী মাগী অনীংবা ফোঙদোক্লরি। অমতা লাল্লি হায়রুবা য়াদে। মরমদি মীওইবগী ৱাখলগী মরেপ্না শৈরেংগী মঙল ওনবা ঙম্লুদবনা মাগী মাগী মিৎয়েং থম্নবনি। শম্না হায়রবদা ৱাখলদগী শৈরেংনা পাকপ-চাউবা হেল্লি। মীওইবা খুদিং থমোয় অমমম পাল্লি অদুবু থমোয় অমতা মরোল মান্নদে খরনা নূংগুম কল্লি, খরনা লৈগুম থোৎলি। অদুনদি থমোয়দগী থোক্লকপা শৈরেংনা মখোল মান্নবা হৌনদে, মচু খেন্নবা তাবনি। অদুনা কবিগী মথৌ করিনো খঙবদা লুগনি। মালেমগী ফাওরবা কবি T. S. Eliot না ইরায় লায়না হায়, "The Poet is a medium of expression, but no more." মানা মখা অমুক তারি, "A Poet must be objective, not subjective, working as a medium rather than an experience." মানা হায়রিবসি শম্না কবিদি থৱায়গী মপাউদু চুম্না ফোঙদোকফম ওইবদনি, মশাগী ওইবা ৱা পঙইদা ইগদবা নত্তে, তাইবঙনা য়াগদবা অশেংবা থমোয় পাউদম ওইগদবনি হায়রিবনি। অদুনা মাসু হৌরকপদা Romantic Tone দা ইদুনা Georgian কবিশিংগী মতৌ তম্লুরবনি অদুবু কাইনথংদা মাগী Concept হোংলক্তুনা Form দগী Object না হেন্না লুই হায়বরোমদা চঙশিল্লকপদগী মাগী মফম অমা কনবা ঙমখিবনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরম্বগী মরমদি ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা ফাওরকপা থমোয় ঈথিলনা শেন্লকপা চম্না ফজবা শৈরেং খরা পাব ফংলুবা অসিদগীনি। শৈরেংশিংসি অইবী অসিগীদি মশানাফাও নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ইরকপশিংদুনা খোমজিনবা লাইরিক্লি হায়রি। Eliot কী মতকা য়াম্না চানরি, মশানা করি ইরিবনো ফাওবা খল্লুদনা থমোয় মপাউদু মানা ফোঙদোকপদনি হায়রি। অদুনা মানা মাগী শৈরেংশিং অসি চোয়রোলনি হায়জরি। ফুদিৎ ফূনা চুরবা নোংগী ঈচেল নাইবা চুরি পরিংদা থাদখিবা চেগী হিনাউ তোংদুনা চৎখিবা মাগী শৈরেংগী পন্থুং মানা দারিদা লেপ্তুনা য়েংজহৌরি। মহাক কনাসু নত্তে, করি অমতা ঈথিল চঙদ্রিবী, কনাগী খূৎ য়াওদ্রিবী, শৈরেংগী থোঙজিন দা লেপ্লরিবী চোংথাম নোলিনি দেবীনি। থমোয় শেংনা চঙলকপা মীদি শৈরেং লাইরেম্বীনা খক লেম্না থাদে, লেপ্পা চানবীবা ঙাক্তনি। নোংঙাল্লমদাইদদা ঈথিল লাক্লিবদু অচুম্বা শৈরেংগী ঈথিলনি। নোংমা নোংঙাল্লমদাই বাল্মীকি মুনিনা সরযু তুরেল মপান্দা ঈরুজবা থোক্লকপদা কাংঙ মতৈ-মনাওদুগী মরক্তা অমা শেৎনবদু উরমদ্রবা, মাগী মচিন্দগী ৱাহৈ খরা থোক্লমদ্রবা রমায়ন ইরমদবা য়ারিবনি। নোলিনীগী ঈথিলসু খক লেম্না মাঙলোই হায়নীংঙি।

তশেংনা চম্না ফজবা শৈরেং কয়ানি থেংনরিবা। লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা থারকপা খোন্থানি, থমোয়গী অশেংবা মপাউনি। অরোনবসু অথুপ্পসু, তিংনা হেক্তা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি অইবীনা। অমতং য়েংবা য়াই- “লেংলিবা লৈ পরেংসি/নঙোন্দা হুক্লবনি চান্নবা/...নঙনা লাকপিদ্রবদা/...ইকায়বনা মায়সে থম্ফম লৈতরে।” (লাক্লোগবা চান্নবা, লা: ৫৬) মসিদা ঈখৌ লাংবা থমোয়না ঙাইরি, কনাগুম্বা অমবু। অইবীনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ ‘নঙ’ হায়বসি চপ চাবা শৈরেংগী ৱাহৈনি। অমুকসু ইরি অইবীনা, “চহী কয়া হৌখ্রবা মতুংসিদা ঙসি থেংনখি মা-ঐ/লোন্না হুরান্দুনা য়েংনরি/অমুক্তা খঙনদবদৌনা।” (করিগুম্বদা নীংশিংবীরকপরা, লা: ১৭) কুন্দোগী চন্নফম লৈখিদ্রবা কনাগুম্বদু নোংমা থেংনবদা ফাওফম থোকপা থমোয় ঈহুলদু চপ চানা ৱাহৈ খরসিনা ফোঙদোক্লি হায়নীংঙি। নুংশিবগী মতিক উৎপদা অইবীগী ৱাহৈ অমনা উৎপা ঙম্বা য়াওরি। অমতং পল্লবদা- “মিৎয়েং অমদা ঙসিদি/থম্মোয় বন্দী ওইখরে/মিৎয়েং অসিদা শিবা তারবরা?” (করম্বা যাদু য়াওবনো, লা: ৩৩) কয়াদা চুম্না ফোঙদোকখ্রবা ৱাখলনো? ফজৈ হায়নীংঙি।

অইবীগী ফজবা শৈরেং অমসু য়াওরি। মতমসিদা ওইরিবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মচৎপু ৱাহৈ খরদনা ফোঙদোক্লি। মসিদি অনৌবা খূৎফোঙদোক্লি। য়াম্না ঙাঙলুবগী কান্নবা লৈরক্ত্রবা মতমসিদা অইবীগী ৱাহৈ খরসিগী মমল য়াম্মী। অইবীনা হায়রি, “হায়নীংবদি য়াম্না লৈ, তাবিনবসু য়াম্না লৈ/লৈঙাক্লোনগী ৱাবু হায়সিরা/নহারোল মরৈবাক নীংবশিংগী ইসিরা/ঐ হায়নীংবা য়াম্না লৈকো/অদুবু ঐ য়াম্না কিজৈকো।” (ঐ কিজৈ, লা: ৪১) মসিদা লোইনা য়াওখ্রে অইবীগী হায়নীংবা ৱা। তাবিগদবা মখোয়না তাবিদবদা মঙায়রে। অসি হায় হায়দুনা অইবী অসি লৈবাক্কী, খুন্নাইগী করিসু খন্দ্রবা মীশক্লা। অদুদি নত্তে, মহাক তূমদে, লৈতাফম খঙদে। অদুবু খল্লু খল্লুবা খুদিং লংজিন মাঙলি, লম্বী লৈতে। অদুনা মতোমতা লাউরকই, “লৈচিলদি থাংলি অতিয়াদা/নোংদি য়াওরিবরা লৈচিদুদা/মঙলান পূম্নমক কায়খ্রে/তূম্বগা য়েক্লবা ওয়হল্লি/হায়বীয়ু ঐবু করি তৌ হায়বনো? (ঐবু করি তৌ হায়বনো, লা: ৫১) লমদমসিগী মীওই পূম্বগী ৱাহৈনি, চপ মান্নবা, ‘ঐবু কৈদৌ হায়বনো?’ অইবীনা ঐখোয়গীসু য়াওনা লাউবনি।

অতোপ্পা অইবীগী মিৎয়েং অমনা নুপী অমা ওইনা নুপীবু চুম্না য়েংনবা হোৎনবা অসিনি। নুপীগী অর্থ থিরি। চপ চাবা পাউখুমদি ফংদ্রি। মশাগী মতসু ফোঙদ্রি। অদুবু হংলিবা ৱাহংদি মায়কৈ চুন্লি। অইবীনা নুপীবু পাপ্না তারগা পোক্লকপনিসু হায়দ্রি। নুপানা ওৎপনি, নুপাগী মায়োক্তা লান শীংগদবনিসু হায়দ্রি। অদুবু অইবীনা খঙই, অৱাবা পূম্নমক্তি নুপীনা খাঙলি। অদুনা কায়রবা থম্মোয়গী পাউখুম থিরিবা ৱাহংনি, “নুপী ওইবী নহাক্তি/অৱাবা পূম্নমক নঙগীরা/খাঙ্গদৌবসু নঙতরা?/নোংথাংনা য়ৈবমুক কল্লবা/থম্মোয় চৈনা কয়াদি/নুপী ওইবী নঙতনা খাঙলিকো।” (নুপীগী অর্থ করিনো? লা: ৬৪) কনাদসু মরাল শীদ্রবা, পাউখুম ঙাইরিবা ৱাহংনি।

খজিক্তুং লুথনা য়েংবা মিৎয়েংসু য়াওরি। পুন্সি মশক খঙনবা থিরকই। পুন্সিবু লম্বী চৎপনি হায়রি। পোলোইদদি পূম্নমক অমতনি হায়রি। অইবীগী মিৎয়েং ধর্ম্ম পূম্বনা য়াগদবা মিৎয়েংনি। মী অমা ওইনা পোল্লবদি পুন্সি মশক খঙগদবনি হায়রি। অইবীনা হায়রি, “ইরিবা মানদি ইদুনা লোইখ্রবনি/করম্বা মতমদা/কদায় তান্না?/পূম্নমক মঙলানগুম্বনি/সংসারগী চৎনবীনি।” (ইরিবা মানদি ইদুনা লোইখ্রবনি, লা: ৭৭) মসিদা কনানসু লাল্লি হায়গদবা মান্দ্রে। কবি কাঙজম পদ্মকুমারনসু হায়রম্লবনি, মাগী পুন্সি ৱারী মানা ইগদবা নৎলমদ্রে। অইবা অমা লোন্না লৈরম্লে। মত অনীসি কয়াদা মান্নজখ্রবা। অদুনা অইবীনা মাগী থম্মোয়বু কোন্দুনা পাউমেঞ্জে। অতৈ পূম্নমক চেনখ্রবসু থম্মোয় মাতদি অইবীবু থাদোক্তুনা চৎখিনু হায়না। মসিদি ওন্থোক্লা ফজখ্রে। লৈরিবা পূম্বা লংথোক্লম্লগা খঙদবা লম্বীদুদা চৎলকপদা কনানসু লমজিংবীরোই। থম্মোয় মানা মরুপ ওইবা নত্তনা। মদু খঙনা অইবীনা থারকপা খোন্থানি। অইবীনা হায়, “নঙসু চৎলু, ঐসু চৎকে/থম্মোয়গী মিহুলদি চোংই/খোঙথাং কনখৎসি পন্থুং য়ৌনবা/লৈগুমসি লৈশিন্দুনা হিদেন অমদা।” (নঙসু চৎলু, ঐসু চৎকে, লা: ৫৭) মসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং ‘পন্থুং’, ‘হিদেন’ ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক পাকখ্রে। অইবীনা চপ চানা শীজিন্নবা ঙম্লে হায়নীংঙি। অদুগা ৱাজৈ অইবীনা থৱায়গা হকচাংগগী নুংশি মরী অসিবু মতম কয়াম কুইনগীনো? হকচাং নঙনা হায়ঙম্বরা? ৱাহংসিমক্লি ঙসি মীওইবা পূম্বনা হংনরিবা। পাউদমদি লাক্ত্রি।

য়ামখ্রে। অইবীনা ইরিবা শৈরেং ৮৩ অসিদা ফোঙদোক্লিবা মাগী থম্মোয় মপাউ। অদুবু অসিমদি খঙলে, অইবীনা থিরি মাঙখ্রবা নুংশিবা অমা। শৈরেং অয়াম্বদা ৱাহৈ অমা নৎত্রগা অমনা নুংশিবা মাগী মনম চেনবা ৱাহৈ য়াওরি। মঙলান্দা লাকপা ঙাইরি। উনরবসু লেম্না থারোইদৌরি। হেক উনবদা হায়গদৌরি, “য়েংঙু ঐবু য়েংঙু/য়েংঙু নক্লা য়েংঙু/কোল্লু ঐবু নথানুংদা চেৎনা/তাৱা ঐগী থম্মোয়গী মিহুল/হায়রম্লরোইদ্রা ঐবু নুংশি হায়না/হন্দক মপোকসিদা।” (ঐবু য়েংঙু, লা: ২৬) ফজখ্রবা নুংশি শৈরোলনি। অদুনা হায়দবা ঙমদে নোলিনি নুংশি ঈশৈ শক্লিবী কবিনি। ঈংরাজি কবিশিং Shelley না হেন্দে, Keats না হেন্দে, মাগী মাগী শৈরোল তোঙাঞ্জবতনি। নুংশিবগী চাং ওনবা ঙম্লবদি মান্নরমগনি, শৈহৌদা অসুক থম্মোয় নৌনা, থম্মোয় শেংনা, তৌশিন্নবা অমতা য়াওদনা চঙশিল্লক্লিবা কবি অসিবু মীরায়গদবা কনানো? লম্বী চুম্লবনি, চঙশিল্লকপা ঙাইরি, চঙশিল্লমদনা য়েংলগদা তোকখিনু হায়জনীংঙি।

লোইশিল্লকপদা অইবীগী মফমদা য়াইফ মঙ্গোল পীজবগা লোয়ননা ৱাহৈ অমতংদি থল্লম্নীংঙি মদুদি চেগী হিনাও তোংদুনা চৎখ্রিবা শৈরেংশিং কদায় য়ৌখ্রবগে য়েংনা য়েংনা লৈবিরগনু । হন্দক্তি চেগী হিদা হাপ্পীগনু কল্পনানা মসা ওইদুনা পাইহনবিখো চেক্লা ওইনা।

# তৎলুরবা ঈচেল

**নুংশিতোম্বীনা** মমাবু মখোঙ মখূৎ হান্বীবা, মমায়-মমিৎ তাথোকপীবা লোইরদুনা হায়-ইমা, ইমা চাক অশাবসি খরদং চানবা তৌসি। সে ঐ চাক ইল্লক্কে।

মমা - ইমাগী ইবেম্মা, ঙসিসু ইমা চানীং থক্লীংবা করিমত্তা ফাওদ্রে, ইমা চাক চাররোইদা। খঙদ্রে ইমাগী হকচাং অসি নোংম-নোংমগী অসুম শোঞ্জিল্লক্লি, কয়াবু কুইনা হিংগদবনো খঙদ্রে।

করিগীনো ইমানা অদুক থম্মোয় শোন্থরিববু। ববাখোয়, তাচৌখোয়, ঐখোয় ময়াম চঙদুনা হোৎনরিবসিদি। শিবগা য়াদ্রি, ৱাখলদো খরসু চাউথোকউ।

মমা - (থম্মোয় শোক্লা) থা ৪/৫দি শুরে ইমানা নারক্লিবসে। ফগে হায়রবদি নহালনা ফবা য়ারবনি। নখোয় ময়াম্না ঐগীদমক খা-ৱাং খঙদনা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরিবসি খল্লুবদা, ইমাদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রে। ঐনা নখোয় খ্বাইগী মতেং অমত্তসু পাংবা ঙম্লুদ্রি, কয়াম কুইনা অসুম্না হিংগদৌরিবনো। ফৎখিদ্রবা মপোক হায়বদু ওইরমালে।

মমাগী নুংঙাইতবা ৱাখল ময়ামদু মচানুপী নুংশিতোম্বীনা থেমজিনবিরি।

ইমা নঙসে নত্ত-নত্তবা ৱাখল ঙাক্তা পংখন্দা খল্লে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ঐখোয়বু চাউনবা য়োক থাকপদা নঙনা কয়াদা ৱারমগদবা। ঐখোয় হৌজিক নঙগীদমক মতেং খরদং পাংফম থোক্তবরা। মসিগীদমক মচা পোক্লরিবনি।

মমা - ফরে, ফরে ইমা নুংঙাইরে। চৎলো নথৌ তৌজরুরো। য়েংঙোই ইবেম্মা নবুং অদু ঙহাক্তা ইমাগীসিদা লাকউ হায়রম্মু।

নুংশিতোম্বী থোকখ্রে। ঙহাক্কী মনুংদা মচানুপা মমাগী কাদা চঙলক্লম্মী।

মচানুপা নিংথেম - ইমা ঐ কৌবীববু, করি হায়গদবনো?

মমা - ইমাগী নিংথেম, ঙসি ইমানা নঙোন্দা ৱা অমত্তা শিন্নরমগে তৌবনি। কুইরবনি ইমানা নঙোন্দা হায়গে খল্লিবা, অতৈ নত্তে ইমাগী ইবুংঙো, করিগুম্বা ইমানা লৈখিদবা থোক্লবদি নঙ নচননুপী নুংশি অসি লুনা চান্না তৌবিরকউ। মবুক্লিংদা ৱারৌবা, নুংঙাইতবা ফাওহনগনু। নচননুপীগী মমিত্তগী নীংবা কায়বগী পিরাং শিন্থহনগনু। মরাইবক থীরবী, নীংবা থুংজদ্রবী, অৱাবদা মশরুক ওইরবিনি। হৌজিক্তি খরবু ফরি। নঙনা হয়েং য়ূম পাল্লগা শোয়দনা মৌ অদুনা নচলনুপীবু মীরাইবীগনি। ফনা য়াম্না ইমানা উরবনি। নিংঙোলগা মৌগা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা পল অদু হৈনা শিংনা শেন্নহৌদ্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি নীংখায়রক্তুনা নঙগী নথক্তা শোয়দনা নল্লক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা নচল নুপীনা নীংবা কায়বগী পিরাং শিন্থখিনি। মদুদদি থোকহনগনুকো ইমাগী নিংথেম।

মচননুপীগীদমক খনবদা ৱাজরবী মমাদা...

নিংথেম - ইমা ঐনা হিংলিমখৈদি ইচল নুংশিতোম্বীদা অৱা মৈশা লাংহঞ্জরোই, ঐনা ৱাশকচরি।

মতম খরা লৈরম্লগা নিংথেমগী মমা লৈখিদ্রে। মমা কায়নবগী মৈচাক্লা নুংশিতোম্বী নুমিৎ খরনিদি অৱা মৈশা লাংলম্মী। মতমনা অসুম অসুম হৌখিবগা লোয়ননা কায়নবগী অৱাবা অদু খরমখৈদি শাফরে। মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমনা, নুংশিতোম্বী লৈতানা, ঈংনা-চিক্লা লৈজবা ঙম্লমদে। নীংশিংলরোই খল্লি ঙমদে হেক্তা নীংশিংলকই।

পোমশাৎনবী লৈরাং ওইরিঙৈদা কনাগুম্বা অমগী নাপদা চিনবিখ্রবনি। মানা নহা ওইরিঙৈ, লৈশাবী মপূং ফাদ্রিঙৈ, অফ-ফত্ত খনবা ঙমদ্রিঙৈ, ইঙাও ঙাওরিঙৈ মতমদা মাবু নুংশিজবা পামজবা নুপা অমনা চিংলুরে। মনুং মতম চাদবনা নুপা ময়ূমদগী খায়দোক্লদুনা লৈরি। নুংশিতোম্বীবু জগোয় তম্বীবা ওজা অমগী লৌনম লাংদা থুরুবনি। খল্লু-খল্লুরগা নীংবা কায়না কপচবনা মাগী মথৌদাং ওইরি। কয়াদা লাইবক থিখ্রবা নুপীগী মপোক্লো। চেকশিলহৌদবা মীৎকুপ অমনা পুন্সিবু লৈখা তানা মাঙহল্লি।

হৌজিক নুংশিতোম্বীগী ৱাখলদা অনৌবা ফিরেপ অমা লৌরগে খল্লক্লে। পুন্সিদা য়ূম পানবগী আশা থাদোক্লগে খল্লক্লে। লেমহৌরিবা পুন্সিগী শরুক খরসে মপা অমদি মবুংগীদমক অপাম-নুংশি, কল্লক-মীহৌ খুদিংমক থাদোক্লগে খল্লে। হৌজিক্তদা নুংশিতোম্বী নুপী ওইবীগী মপূং মরৈ ফারক্তুনা খম থেংনা ফজবা মতম হায়বদু ওইরি। মসুং মমান্নবা কয়া অমনা মাবু পামজদুনা কয়ারক হন্না হায়জৈ। পূম্নমক মাগী মফমদা অরেম্বা তাখি।

নুংশিতোম্বীগী মপা তোমাল লায়রবা ইমুংগী মীনি। মাগী নুপী লায়েংনবা হোৎনবদা মাগা লুনা তিন্নজবা মনাও বিজয়দগী লুপা লিশীং য়াংখৈ খক পুখি। শিংবা ঙম্বগী আশা উদ্রি। বিজয়নবুদি শেনফম অদুগী মতাংদা ঙসি ফাওবা ৱাহৈ অমত্তা হায়দ্রি। মদুগী মথক্তা বিজয়না ইমুং মনুং অদুগী অৱাৎ-অপা কয়া অমা মতেং পাংদুনা লাক্লি। বিজয় য়াম্না পুকচেল চাউবা, মীনুংশি খঙবা মীশক অমনি।

লৈবু লৈরবদি, মানা মাগা তিন্নজবা কয়া অমা মতেং পাংঙি। মীগী অৱাবা উবা ঙমদবা মীশকনি। মাগী মশাদা কৎথোকপা ঙম্বগী গুণ অমা য়াওরি। মসিনা মীপূম খুদিংনা মাবু নুংশি।

নোংমা তোমালনা মচানুপীদা হায় - ইপাগী ইবেম্মা, ইপানা কয়ারক হন্না খল্লবগী তুংদা হায়রিবনি। ইপাগী ৱাফম অসিনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়না ইপানা খল্লি। অতৈ করিসু নত্তে, ইবেম্মা নঙ নখোয় কাকা বিজয়গী থৌগল তৌহন্নীংই। কাকা বিজয়দা ইপানা নঙবু পীনিংই। নঙ ইপাগী নীংবা কায়হনগনু। বিজয় মরায়বক থীরবা মীশক হায়বদু ওইরে। ইকুই কুইদনা মাগী নুপী কায়নখ্রে। মপূগী লিলাবু কনানা তম্বা ঙমগনি। শেল পায় হায়দুনা করিবু নুংঙাইনীংঙাই লৈরিবগে। শেলনা মীওইবগী নুংঙাইববু লৈবা য়াব্রা। পীক্লিবা মচা অনী হুন্দোক্লমই, মতৈমনা য়েংশিল্লি। কয়াম কুইনা য়েংশিনবীবা ঙমগনি। মাগীসু মচা লৈরিবনি। মমা কায়নখ্রবা অঙাং অনীসিগী য়েংদুনা নঙ বিজয়দা লৈহন্নীংই। ঐখোয়গী ইমুংনা চাউরবা লমন অমা বিজয়গী মফমদা তোন্দুনা লাক্লি। অৱা-অনা তারবা মতম অসিদা ঐখোয়না মাগী মতেং খরদং পাংবা ঙম্লবদি ইপাদি নোংমদোল খূৎনা লাম্বা ফংবগুম নুংঙাইনি। বিজয় অমদি ঐখোয় ইমুংগা লৈনরিবা মরী অসি ইপানা থদৎপা পামদে।

মপাগী ৱাহৈশিং অসি নুংশিতোম্বীনা য়াদবা ঙম্লোইদৌরি। মহাক্কী পুন্সি অসিদা অমুক হন্না য়ূম পানগে খল্লুদ্রবনি। মপা অমসুং মবুংগীদমক পুন্সি কৎথোক্লগে খল্লিবনি। বিজয় নুংশিতোম্বীগী মশুং মমান্নবা হায়বমক্তি থোকত্রে। অদু ওইদুনসু, মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাখলনা নুংশিতোম্বীগী পূক্লিং ওলহনখি। বিজয়না থেংনরমগদবা অৱাবা অমদি মরায়বক থীরবা অঙাং অনীদুগী খনবদা, নুংশিতোম্বী মপাগী ৱা হিকতোকপা ঙমখিদে।

ববানা হায়বিবা খুদিংমক নচানা ঙাক্লা চৎচগনি। নুংশিতোম্বীনা য়াম্না থম্মোয় শেংনা মপাদা ফোঙদোক্লম্মী।

নুংশিতোম্বীগী তৎলুরবা ঈচেল অদু অমুক নৌহৌনা চেন্থবা হৌরক্লে।

--দিম্ভাজিৎ